নিতিস কুমার এন দি এলাইন্সতা য়াওদুনা রেকোর্দ ওইবা মওংদা ৯লক শুবা বিহারগী চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

পাটনা, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সি) :

ঙসি নিতিস কুমার বি জে পিগা মীচং চুংশিন্নদুনা অনৌবা গর্ভর্নমেন্ট অমগী মকোক চিংদুনা রোকোর্দ ওইবা মওংদা ৯লক শুবা বিহারগী চিফ মিনিষ্টরগী ফম পায়বগী ৱাশক লৌখ্রে।

নিতিস কমারনা রাষ্ট্রিয়া জনতা দলগী হান্নগী মহাক্কী মিনিষ্টরশিং বি জে পিদগী খনগৎপশিংনা মহুৎ শিনখিবগা লোয়ননা এন দি এগী চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। মহাক্না লোয়ননা ঙসি নুংথিল রাজ ভাবনদা ৱাশক লৌখিবশিংদুগী মনুংদা বি জে পিগী সমরাট চৌধুরি, বিজয় সিংহ অমসুং অতৈ কয়াসু য়াওখি। মসি মশাগী চহী ৭২ শুরবা কুমারনা চহী ১০ গী মনুংদা এলাইন্স হোংবা ৫রক শুবনি।

এলাইন্স হোংবা তোয়মনবদগী মহাকপু পোলিটিকেল সার্কলশিংগী মরক্তা পালতু কুমার হায়না মিথোল পীরি। মমাংদা কুমজা ২০২২ দা কুমারনা বি জে পিগা মরী তৎনখিবনি। মতমদুদা বি জে পিনা মহারাষ্ট্রদা শিব সেনাদা থোকহনখিবগুম মহাক্কী জনতা দল য়ুনাইটেদ মচেৎ তাহল্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী খোঙথাং অদু লাকখিবনি। ঙসি অমুক হন্না এন দি এ দা য়াওরকপগী মতাংদা মহাক্না ওপোজিসন ব্লোক্তা পেন্দবা কয়া লৈ হায়রদুনা মহাক্না মাংজিল থাদুনা কন্না হোৎনরবসু ব্লোক অদুগী অতৈ পার্টনরশিংনা তৌফম থোকপশিং অমত্তা তৌরক্তে হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২২ গী ওগষ্টতা ঐখোয়না শেমখিবা অনৌবা গ্রান্দ এলাইন্স অদু হৌজিক মদুগী পান্দমগী ওন্ন-তৈনবদা ফিভম ফৎচিল্লক্ত্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়, ইন্দিয়া এলাইন্সপু ৱাহন্থোক লৈহন্নবা অমসুং মায় পাকহন্নবগীদমক ঐহাক্না কন্না হোৎনদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং এলাইন্স অসিদা য়াওরিবা অতৈশিংনদি মতেং ওইগদবা অমত্তা তৌদনা লাক্লি। এলাইন্স অসিদা অশোয়বা খরা লৈরে হায়না ঐখোয়না লৌই। মসিদা মীয়াম্নসু পেন্নদবা হেনগৎলক্লি হায়না কুমারনা মখা তাখি। তৌইগুম্বসুং সোর্স খরনদি ইন্দিয়া ব্লোক্কী মীখলগী শেম শাবগী মতাংদা নাখে শেংবা ৱাৎলকপা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদবা কেন্দিদেটকী মীংশিংদা মহাকপুসু খন্নরক্তবনা মরম ওইরগা নীংবা কায়রকপদগী মহাক্না খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

অমরোমদা লোক সভা মীখলগী সিট য়েন্নবগী মতাংদা ৱারী শানবদা থীন্থদুনা লৈবা অসিনসু ফিভম হেন্না লুশিলহনখিবনি। জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কী লিদরশিং চৌধুরি, বিজেন্দ্র প্রসাদ য়াদব অমসুং সরৱন কুমারসু কেবিনেট মিনিষ্টরশিং ওইনা ৱাশক লৌখি। নিতিসকা লোয়ননা বি জে পিগী লুচিংবশিং সমরাট চৌধুরি অমসুং বিজয় সিনহাহানা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি।

মদুগী মমাংদা রাজ ভাবনদা গর্ভর্নর রাজেন্দ্র বিশ্বানাথ অলেকরদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিন্দুনা মহাক বিহারগী চিফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌখিবনি। মহাক্না ফম থাদোকপগী ৱারেপ অদু ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা জে দি (য়ু) গী লেজিসলেটিভ মীফমদা লাউথোকখি।

জে দি (য়ু) গী ভেটরান অসিনা ফম হেক থাদোকখিবগা মতম শাংনা কান্নদনা বি জে পিনা মসিগী এম এল এশিং অমসুং এম এল সিশিংগী ওইবা অথুবা মীফম অমা পাঙথোকখি অমসুং মতুং তাবদা পার্টি অসিনা নিতিস কুমারবু শৌগৎপগী লেটর ওফর তৌখি। ফম থাদোকপগী চেরোল হেক শিন্নখিবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা কুমারনা বিহারগী মহাগথবন্ধন মুথৎনবসু হায়খ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

কোর্টনা জেল ওথোরিটিশিংদা পার্লিয়ামেন্ট সিক্যুরিটি ব্রিচকী এক্যুজশিং পুথোক্লবা দিরেক্সন পীখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সি) :

পার্লিয়ামেন্টকী সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং অরেম্বা তাহনখিবগী থৌদোক্তা এক্যুজশিং ওইরিবা নিলম অজাদ, মনোরঞ্জন দি, সাগর শর্ম্মা, ললিৎ জাহ, অমোল সিন্দে অমসুং মহেশ কুমৱৎ পুথোরক্লবা দেল্লিগী পটিয়ালা হায় কোর্টনা ঙরাং প্রদক্ষন ৱারেন্টশিং ইস্যু তৌখ্রে।

পুলিস ফোর্স ফংদবনা মরম ওইদুনা এক্যুজশিং অদু কোর্টতা পুথোকপা ঙমদবনি। লিঙ্ক জজ সুদান্সু কৌসিকনা প্রদক্ষন ৱারেন্ট অমা ইস্যু তৌখি অমসুং জেল ওথোরিটিশিংদা জন্যুৱারী ৩১ দা এক্যুজশিং অদু পুথোরক্লবা দিরেক্সন পীখি। দেল্লি পুলিসকী মাইকৈদগী এক্যুজ পুম্নমক জুদিসিয়েল কষ্টদিদগী পুথোরক্লবা তকশিন্দুনা কোর্টতা এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌখিবনি।

চহী অসিগী জন্যুৱারী ১৩ দা কোর্টনা পার্লিয়ামেন্ট সিক্যুরিটি কেসতা চেন্নরিবা এক্যুজ ৬ মক থাংজ নুমিৎ ফাওবা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ পীখিবনি। মমাংগী তারিক্তা এক্যুজ নিলম অজাদনা কোর্টতা নুপী ওফিসার অমনা মহাকপু নম্ফুন্দা অহাংবা চে ৫২ দা খুৎয়েক পীহনখি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী কাউন্সেল সুরেস চৌধরিনসু মহাক্কী সবমিসনদা পুলিসনা নম্ফুন্দা থৌওং অদু চৎখি হায়না পনখি। কোর্টনা কাউন্সেলদা চানবা এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌনবা খঙহনখিবনি। মদুগী মতুং ইন্না নিলম অজাদকী কাউন্সেলনা এপ্লিকেসন অমা মুভ তৌখি।

স্পিসিয়েল পব্লিক প্রোজিক্যুটর (এস পি পি) অখন্দ প্রতাপ সিংহনা এক্যুজশিং অদুগী সবমিসনশিং অমদি এলিগেসনশিং ওবজেক্ট তৌখি। কোর্টনা কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং রেকোর্দ তৌখি।

হৌখিবা জন্যুৱারী ৫ দা এক্যুজ ৬ কী মনুংদা ৫ না পোলিগ্রাফ টেষ্ট পাঙথোকপগী ৱাফম য়াখি। তৌইগুম্বসুং এক্যুজ নিলম অজাদতি পোলিগ্রাফ টেষ্ট পাংথোকউ য়াখিদবনি। মদুগী মথক্তা এক্যুজশিং মনোরঞ্জন অমসুং সাগরনা নার্কোটিক্স এনালাইসিস অমসুং ব্রেন মেপ্পিং টেষ্ট পাঙথোকপগী ৱাফমসু য়াখি। এস পি পি অখন্দ প্রতাপনা মহাক্কী সবমিসনদা মনোরঞ্জন অমসুং সাগরগী নার্কো অমদি ব্রেন মেপ্পিংগী মথক্তা এক্যুজ পুম্নমক্কী পোলিগ্রাফ টেষ্ট মথৌ তাই হায়খি।

লিগেল এইদ কাউন্সেল (এল এ সি) অমিট সুল্লানা এক্যুজ ২ মনোরঞ্জন অমসুং সাগরগী নার্কোটিক্স অমদি ব্রেন মেপ্পিং তৌবগী মরম হংখি। এস পি পিগী মাইকৈদগী এক্সপার্টশিংনা পীরকপা পাউতাক মতুং ইন্না টেষ্টশিং অদু পাঙথোকপগী তঙাইফদবা ফিভম অসি লাকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

এক্যুজ মীওই পুম্নমক অদু পার্লিয়ামেন্ট সিক্যুরিটি ব্রিচকা মরী লৈননা ফাখিবনি। কেস অসি লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টতা এটেক তৌখিবগী কুমওন নুমিৎ দিসেম্বর ১৩ দা পার্লিয়ামেন্টকী সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং থুগায়দুনা মীওইশিং অদুনা হাউসতা এটেক তৌখিবগা মরী লৈনে।

জুদিসিয়েল সিষ্টেমবু মতিক ময়াই হাপ্পসি বিক্সিট ভারতকী মনুং চল্লি ঃ প্রাইম মিনিষ্টর মোদি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সি) :

হৌজিক লৈরিবা ফিভমশিং অমদি খ্বাইদগী ফরবা প্রেক্টিসশিংগা চান্নবা মওংদা গভর্নমেন্টনা লোশিং মোদর্নাইজ তৌরি হায়না ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী ৭৫ শুবা কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা মোদিনা হায়, অনৌবা ক্রিমিনেল জষ্টিস লো ৩ পুথোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী লিগেল, পোলিসিং অমসুং ইনভেষ্টিগেটিভ সিষ্টেমশিং অনৌবা তাঙ্কক অমদা লাক্লে। চহী চা কয়াগী মমাংদগী চৎনবা হৌখিবা লোশিংদগী লৈবাক অসিনা অনৌবা লোশিংদা অয়েৎ অপন লৈহন্দনা অমদি মওং মরীল তানা হোংলকপা হায়বসি য়াম্না মরুওই। হিরম অসিগা মরী লৈননা ঐখোয়না গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়িশিংগী ত্রেনিং অমসুং কেপাসিটি শেমগৎপগী থবক হৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা সুপ্রিম কোর্টতা অতৈ ষ্টেকহোল্ডরশিংগী কেপাসিটি শেমগৎপগী মাইকৈদা থৱায় য়াওনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখি। মহাক্না হায়, মতিক ময়াই হাপ্লবা জুদিসিয়েল সিষ্টেম অমা হায়বসি বিক্সিট ভারতকী শরুক অমনি। গভর্নমেন্টনা থাজনিংঙাই ওইরবা জুদিসিয়েল সিষ্টেম অমা শেম্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি অমসুং জন বিশ্বাস বিল অসি হিরম অসিগী মাইকৈদা থাংলকপা মরুওইবা খোঙথাং অমনি। তুংদা মসিনা জুদিসিয়েল সিষ্টেমদা লৈরিবা মথৌ তাদবা পোৎলুম হন্থহল্লগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়, সুপ্রিম কোর্টনা ইন্দিয়াগী মশক থোক্লবা দেমোক্রেসি হেন্না মপাঙ্গল কলহনবগা লোয়ননা ইন্দিভিজুয়েল রাইটশিং, ফ্রীদম ওফ স্পিচকী মতাংদা মরুওইবা ৱায়েল কয়া পীদুনা লৈবাক অসিগী সোসিও-পোলিটিকেল ইনভাইরোনমেন্টতা অনৌবা মায়োন অমা পীরি। ঙসিগী ইন্দিয়াগী ইকনমিক পোলিসিশিংনা হয়েং ইন্দিয়াবু মশক মঙাল থোক্লবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী য়ুম্ফম ওইরগনি।

ঙসি ইন্দিয়াদা শেল্লিবা লোশিংনা মখা তানা হয়েংগী মশক মঙাল থোক্লবা ইন্দিয়াবু হেন্না মপাঙ্গল হাপ্লগনি। ঙসি শেল্লিবা লোশিং অসিনা ইন্দিয়াগী তুংলমচৎ হেন্না মশক থোকহল্লগনি। মালেমদা অহোংবা কয়া লাকপগা ইরোয়ননা ইন্দিয়াদা মালেমনা থাজবা হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসি মালেমগী মরুওইবা মীৎয়েংফম ওইরক্লি। অসিগুম্বা মতম অসিদা লৈবাক অসিনা ঐখোয়দা পীরক্লিবা খুদোংচাবশিং অসি লৌহৌবা য়াম্না তঙাইফদে। হৌখিবা চয়োলদা গভর্নমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টকী বিল্ডিং চাওথোকহন্নবা লুপা ক্রোর ৮০০ এপ্রুভ তৌখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

যোগা এন্দ নেচরোপেথিগী ইন্সটিট্যুট উরেপ উয়ুং তমখ্রে

দিব্রুগর, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সি) :

ঙসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ পোর্টস এন্দ সিপ্পিং এন্দ ৱাটরৱেজ এন্দ অয়ুশ সর্বানন্দা সোনোৱাল অমসুং অসামগী চিফ মিনিষ্টর ডো. হিমন্তা বিশ্বাস শর্ম্মনা ষ্টেট অসিগী দিব্রুগরগী মান কোটাদা লৈবা খমতিঘাটতা ফমুং ১০০ গী হোস্পিটাল অমা য়াওরবা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অহানবা সেন্ত্রেল রিছার্স ইন্সটিট্যুট ওফ যোগা এন্দ নেচরোপেথিগী উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

সেন্ত্রেল কাউন্সিল ফোর রিছার্স ইন যোগা এন্দ নেচরোপেথিনা দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা খুৎশম্নরগা শিল-লাংখিবা থৌরম অদুদা তিনখিবশিংগী মনুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রামেশ্বর তেলি, ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর কেসাব মহন্ত, ষ্টেট মিনিষ্টর ফোর ইন্দষ্ট্রিজ এন কমার্স বিমাল বোরা অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ অয়ুশকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং লোয়ননা এম এল এশিং অমদি অতৈ দিগনিটরি কয়াসু য়াওখি।

একর ১৫ পাক চাওবা লমদা লুপা ক্রোর ১০০ চংনা শাগদৌরিবা ইন্সটিট্যুট অদুগী পান্দমদি লমদম অসিগী হেল্থকেয়র লেন্দসকেপতা অহোংবা চাউনা লাকহনবনি। প্রোজেক্ট অদু কুমজা ২০২৬ ফাওবদা লোয়শিনবগী পান্দম থল্লি।

জে দি (য়ু) কুমজা ২০২৪ দা লোইরগনি ঃ তেজাশ্বি য়াদব

পাটনা, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সি) :

নিতিস কুমারনা বি জে পিগা অমুক হন্না মিচং চুংশিন্নরকপগী মতাংদা মহাক্কী রিয়েক্সন খঙহল্লদুনা বিহারগী হান্নগী দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর তেজশ্বি য়াদবনা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কুমজা ২০২৪ দা লোইরগনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

য়াদবনা ৱাফম অসি জে দি (য়ু) গী চিফ নিতিস কুমারনা ঙসি বিহারগী চিফ মিনিষ্টর ফমদগী রিজাইন তৌবগা লোয়ননা বি জে পিগী সপোর্টকা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা এন দি এ গভর্নমেন্ট অমা শেম্নগী রাইট ক্লেম তৌখিবা মতুংদা ফোঙদোরকখিবনি।

বিহারগী হান্নগী চিফ মিনিষ্টর য়াদবনা হায়রিবদি ঐহাক্না ৱাফম অমা য়াম্না শেংনা থম্বা পাম্মী। হৌজিক পোলিটিকেল গেম হৌবদা ঙাইরি। উগদবা অমদি থোক্লক্কদবা কয়ানা লৈরি। ঐহাক্না জে দি (য়ু) পার্টি অসি কুমজা ২০২৪ দা লোয়রগনি হায়না থাজবা পীবা ঙম্মী।

নিতিস কুমারনা এন দি এ দা অমুক য়াওশিনবা অমসুং আর জে দিগা মরী তৎনবগী মতাংদা আর জে দিগী লুচিংবা তেজাশ্বি য়াদবনা হায়রিবদি মহাক চোকথরবা সি এম অমনি, মতাং অসিদা ঐহাক্না খঙহন্নিংলিবদি ষ্টেট অসিগী মীয়াম পুম্বনা ঐখোয়বু শৌগৎলি। হৌজিক অনৌ অনৌবা পোলিটিকেলগী থৌদোক কয়া ঐখোয়না উবা ফংলল্লগনি। মখা তারদুনা মহাক্না জে দি (য়ু) চিংথোকখিবগীদমক ঐখোয়না বি জে পিবু থাগৎপা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২২ দা নিতিস কুমারনা বি জে পিগা মরী তৎনরগা আর জে দি, কোংগ্রেস অমসুং লেফ পার্টিশিংগা খুৎশম্নরগা বিহারদা মহাগথবন্ধন গভর্নমেন্ট শেমখিবনি। চহী অদুগী থৌদোকশিং নিংশিংলদুনা য়াদবনা হায়, ঐখোয়না থাজবা কয়াগা লোয়ননা গভর্নমেন্ট শেমখিবনি। মতমদুদা নিতিস কুমারনসু গভর্নমেন্ট শেম্নগী পান্দম মীয়ামদা শন্দোক্লা খঙহনখি। হৌজিক্তী মহাক চৎখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না পাম্নখিবা গভর্নমেন্ট অদু শিহল্লে। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মসিগী মতিক চাবা পাউখুম শোয়দনা পীরল্লগনি।

মহাক্কী হান্নগী মীচং নিতিস কুমারবু চৈরদুনা য়াদবনা হায়, মহাক্কী মীৎয়েং অমত্তা লৈতে। মহাক চোকথরবা সি এম অমনি। ঐখোয়না মহাকপু থবক কয়া তৌহনখিবনি। আর জে দিগী লুচিংবা অসিনা মখা তারদুনা মহাক্কী পার্টিনা নিতিস কুমারগী থাজবগী ৱাংমদা মতেং পাংদুনা ষ্টেট অদুগী মীয়ামদা থবক মরাং কায়না ফংহনখি হায়না ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা তারিক অনৱারনসু নিতিস কুমারনা এন দি এ দা য়াওশিন্দুনা অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্নগী মতাংদা পল্লদুনা হন্দক্তী বিহারগী মীয়াম্না নিতিস কুমারবু ঙাকপীররোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা জয়রাম নিতিস কুমারগী খোঙথাং অসিগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না এন দি এদা অমুক য়াওশিনখিবা অদুনা ইন্দিয়া এলাইন্সতা শোকহনগদবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে। জয়রাম রামেশনা হায় বিহারগী মীয়াম্না কুমজা ২০২৪ গী মীখলদা নিতিস কুমার অমসুং দেল্লিদা ফল্লিবশিংদা অচুম্বা পাউখুম পীরগনি। দ্রামা অপুম্বসি পি এম-"মহুরট মন্ত্রি" গী খুৎশেম্লি। মহাক ভারত জোরো ন্যায় যাত্রানা মায় পাক্লকপা অসিদা খাঙবা ঙমদবদগী অসিগুম্বা দ্রামা অসি শিল লাংলকপনি হায়না রামেশনা মখা তাখি।

নিতিস কুমারনা ঙসি বিহারদা মহাক্না লুচিংবা এন দি এ গী গভর্নমেন্ট অমা শেমখিবগী মতাংদা পোলিটিকেল ষ্ট্রেটেজিষ্ট প্রসান্ট কিশোরনা বিহারদা ঙসি শেল্লিবা জনতা দল (য়ুনাইটেদ)- বি জে পি এলাইন্স মতম শাংনা চৎলোই হায়না ক্লেম তৌখ্রে। পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা কিশোরনা হায়, বিহারদা নৌনা শেল্লিবা এলাইন্স অসি কুমজা ২০২৫ তা পাঙথোক্কদৌরিবা বিহারগী মীখল য়ৌনা চৎলোই। অদুনা এলাইন্স অসিগী মপূন্সি চহী অমা ফাওবদমক চৎপা য়াই নত্রগা মসিদগী হেন্না ফাওবা তেনবা য়াই।

এ আই এসকী রিপোর্ট রিজেক্ট তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সি) :

জ্ঞানবাপি মোস্ক লৈরিবা মফমদা হান্না হিন্দু লাইশঙ অমা লৈরম্বগী ইভিদেন্স ফংই হায়না পল্লিবা আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া (এ এস আই) গী রিপোর্ট ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পর্সনেল লো বোর্দ (এ আই এম পি এল বি) না ঙরাং রিজেক্ট তৌখ্রে। এ আই এম পি এল বিগী ইগজিক্যুটিভ মেম্বর কসিম রাসুল ইলিয়াসনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্লন্দুনা এ এস আইগী রিপোর্ট অদু য়েৎনরিবা কেস অদুগী মতাংদা মপুং ফাবা ইভিদেন্স ওইদে হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তারদুনা অসিগুম্বা থৌওং অসি চৎথদুনা ওপোজিসন পার্টিনা খুন্নাইদা কাংখোং চাইবা অমসুং সিকুরিটি লৈতবগী ৱাখল অমা পোকহল্লে অমসুং হিন্দুশিংনা প্রেসতা এ এস আই রিপোর্ট ফংহন্দুনা কোর্টতা ইকায়বা পীরি হায়খি।

[illegible]

[illegible]

নুমিৎ নিনি লেপ্লুরবা রাহুল গান্ধীনা লুচিংবা কোংগ্রেসকী যাত্রা জলপাইগুরিদগী অমুক হৌখ্রে

সিল্লিগুরি, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সি) :

রাহুল গান্ধীনা লুচিংবা "ভারত জোরো ন্যায় যাত্রা" নুমিৎ নিনি লেপ্লুরবা মতুং ঙসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী জলপাইগুরি দিষ্ট্রিক্টতগী অমুক মখা চৎথবা হৌখ্রে।

থা অসিগী ১৪ দা মণিপুরদগী হৌখিবা যাত্রা অদু হৌখিবা শগোলশেলগী অয়ুক্তা অসামদগী ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চংলক্লগা লেপখিবনি। লেপ্লিঙৈ মতম মনুংদা রাহুল গান্ধী ন্যু দেল্লিদা অমুক হনখিবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট অধির রঞ্জন চৌধুরিগা লোয়ননা এস য়ু ভি অমগী মথক্তা ফল্লিবা গান্ধীনা জলপাইগুরি টাউনদা যাত্রা অদু মখা চৎথরদুনা লম্বীদা থেংনরিবা মীয়ামদা মখুৎ হায়খি। যাত্রা অদু ঙসি অহিং সিল্লিগুরি মনাক্তা পনগনি হায়না ষ্টেট কোংগ্রেস লিদর অমনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিৎতা যাত্রা অদু উত্তর দিনাসপুর দিষ্ট্রিক্টকী ইস্লামপুর য়ৌশিল্লবা মতুংদা বিহারদা চৎগনি। ঙসি অঙনবদা রাহুল গান্ধীবু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অৱাং থংবা সিল্লিগুরিগী বাগদোগ্রা এয়রপোর্টতা চৌধুরিনা ওকখি। যাত্রা অদু জন্যুৱারী ৩১ দা মালদা ফাওরগা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা অমুক চংলক্কদবনি। মদুগী মতুংদা মুর্সিদবাদ ফাওরগা লাক্লগা যাত্রা অদু ফেব্রুৱারী ১ দা ৱেষ্ট বেঙ্গল থাদোক্কনি। কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট মালিক আর্জুন খর্গেনা চিফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিদা যাত্রা অদু ষ্টেট অদুদা নিংথিনা পাঙথোকপা য়াহন্নবা ইদুনা তকশিনখ্রবনি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC WORKS DEPARTMENT
[illegible]/TENDER NOTICE NO. 11
Dated, Ukhrul, the 25th January, 2024.

The Executive Engineer, Ukhrul Division, PWD, Manipur on behalf of the Governor of Manipur invites Item rate tender from eligible Contractors of PWD, Manipur for 8 (Eight) Nos. of Plan Works under MH: 5054 – C.O. Roads & Bridges (Plan) costing below Rs. 1.00 Crore each within Ukhrul Division, PWD, Manipur.

The procurement officer is Executive Engineer, Ukhrul Division, PWD, Manipur. The tender details and documents shall be available from 29/01/2024 to 05/02/2024 at the Office of the Executive Engineer, Ukhrul Division, PWD, Manipur.

1. Bid submission start date : **29/01/2024 (11:00 am to 4:00 pm)**
2. Last date & time of submission of tender : **05/02/2024 (11:00 am to 2:00 pm)**
3. Date & time of opening of tender : **05/02/2024 (5:00 pm)**

Sd/-
Executive Engineer,
Ukhrul Division, PWD, Manipur

HL-P/9406/29 Jan.

মণিপুর ষ্টেট পাৱর কম্পনি লিমিটেড, ইম্ফাল
[illegible]/ পব্লিক নোটিস
মতাঙনা

শেনবা চহী ২০২৪ -২৫ গীদমক জোইন্ট ইলেক্ট্রিসিটি রেগুলেতরি কমিসন মণিপুর এন্ড মিজোরামগী মফমদা এম এস পি সি এলনা ফাইল তৌখিবা এগ্রীগেট রেভেন্যু রিক্বায়রমেন্ট অমসুং টারিফ পেটিসন।

১. দিষ্ট্রিব্যুসন লাইসেন্সিনা মখা তানা শিজিন্নবগীদমক ষ্টেটকী মনুংদা পাৱর ট্রান্সমিসনগী থবক তৌরিবা দিম লাইসেন্সি ওইরিবা এম এস পি সি এলনা ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট, ২০০৩ গী সেক্সন ৬২ অমসুং জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম (এম ৱাই তি) রেগুলেসন, ২০১৪ গী মখাদা শেনবা চহী ২০২৪ – ২৫ গী দমক ষ্টেটকী মনুংদা মৈ ট্রান্সমিসন তৌনবা এগ্রীগেট রেভেন্যু রিক্বায়রমেন্ট অমসুং তারিফ এপ্লিকেসন অদু জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম, আইজোলদা ফাইল তৌখ্রে হায়না কঞ্জুমর অমসুং ষ্টেক হোল্ডর পুম্নমক্কী মফমদা খঙহল্লি। কমিসন্না এম এস পি সি এলগী পেটিসন অসি এদমিট তৌরে অমসুং পেটিসন নম্বর ১ ওফ ২০২৪ হায়না রেজিষ্টর তৌরে।

শেনবা চহী ২০২৪ – ২৫ গী এ আর আরগী শন্নপা অদু মখাগী টেবলসিদা পীজরি।

(লুপা কোতি)

অকুপ্পা মরোলশিং	শেনবা চহী ২০২৪-২৫ (২৮-০৩-২০২৩ এম ৱাই টী ওদর দা এপ্রুভ তৌরবা)	শেনবা চহী ২০২৪-২৫ (প্রোপোজদ)
এমপ্লোয়ি খরচ	৭৫.৬৩	৮৪.৯১
আর এন্ড এম খরচ	১০.৫০	১২.৯৭
এডমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং জেনরেল খরচ	৮.৮৫	১৭.২৯
দিপ্রিসিএসন	১.৩৪	১.১৮
লোনদা ইন্টেরেষ্ট	-	-
রিতর্ন ওন ইকুইটি	১.৫৬	১.৫৬
ৱার্কিং কেপিটেলগী ইন্টেরেষ্ট	০.০০	০.০০
ইনকম টেক্স	০.০০	০.০০
গ্রোস এ আর আর এমাউন্ট	**৯৭.৮৮**	**১১৭.৯১**
লেস: নন টারিফ ইনকম	১৮.২৪	৬.৮৫
লেস: চহি ৭ কি ক্রঅপ ১৫-১৬ দগী ২১-২২	০.০০	৫.০৪
এড: ১/৩ ক্রঅপ ২০২২-২৩ দগী	০.০০	৬.০৩
নেট এ আর আর	**৭৯.৬৪**	**১১২.০৬**

জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম (এম ৱাই তি) রেগুলেসন, ২০১৪ গী মতুং ইন্না এম এস পি সি এলগী অপুনবা ট্রান্সমিসন কেপাসিতিদা লৌরিবা ট্রান্সমিসন কেপাসিতিগী সেয়ররদা য়ুম্ফম ওইদুনা লোং তার্ম ট্রান্সমিসন কষ্টমরশিংদগী থাগী ফিক্সদ চার্জ ওইনা ট্রান্সমিসন এ আর আর অসি লৌখৎকনি।

হৌজিকমক্কী ওইনদি এম এস পি সি এলদা লোং তার্ম ট্রান্সমিসন কষ্টমর অমথক লৈরি, হায়রিবা অসি দিষ্ট্রিব্যুসন লাইসেন্সিনি, মদুদি এম এস পি দি সি এল হায়রিবা অসিনি। মরম অসিনা এম এস পি সি এলনা এম এস পি দি সি এলদগী থাগী ফিক্সদ চার্জ ওইনা অপুনবা ট্রান্সমিসন এ আর আর লৌখৎপগী অতুপ্পা মরোল মখাদা পীজরি।

শেনবা চহী ২০২৪ -২৫ গী প্রোপোজদ ট্রান্সমিসন টারিফ

সে নং	অকুপ্পা মরোল শিং	একজিষ্টিং শেনবা চহী ২০২৩-২৪	প্রোপোজদ শেনবা চহী ২০২৪-২৫
১	রিকোভর তৌগদবা ট্রান্সমিসন এ আর আর (কন্সিডরবা এভাইলেবিলিটি অদু ৯৮% নোর্মেটিভ এভাইলেবিলিটিগা মান্নবা নৎত্রগা হেনবা মতমদা)	লুপা কোতি ৫২.৫৬	লুপা কোতি ১১২.০৬
২	এম এস পি দি সি এলনা পীগদবা থাগী ট্রান্সমিসন টারিফ (থা খুদিংগী লুপা লাখ)	থা খুদিংগী লুপা লাখ ৪৩৮	থা খুদিংগী লুপা লাখ ৯৩৩.৮৩
৩	এম এস পি দি সি এলগী এভরেজ ট্রান্সমিসন কেপাসিটি (মেগা ৱাট)	মেগা ৱাট ৩১২	মেগা ৱাট ২৫৪
৪	লোং তার্ম ট্রান্সমিসন য়ুজরশিংগীদমক মেগা ৱাট অমগী কন্ত্রেক্টেড কেপাসিটিগী থা অমগী ট্রান্সমিসন টারিফ (লুপা লাখ)	মেগা ৱাট অমগী কন্ত্রেক্টেড কেপাসিটিগী থা অমগী লুপা লাখ ১.৪০৩৮	মেগা ৱাট অমগী কন্ত্রেক্টেড কেপাসিটিগী থা অমগী লুপা লাখ ৩.৬৭৬৫
৫	প্রপোজ তৌরিবা ট্রান্সমিসন তৌগদবা অপুনবা ইনর্জি	১১৭৩.৩৭ এম য়ু	১৩৯২ এম য়ু
৬	ট্রান্সমিসন টারিফ য়ুনিট খুদিংগী	০.৪৪৮	০.৮১

২. এম এস পি সি এলনা প্রোজেক্ট তৌবা শেনবা চহী ২০২৪-২৫গী ট্রান্সমিসন লোস = ৭.৪২%।

৩. মথক্কী পেরা-১ দা পল্লিবা ফাইলিঙ অমসুং এপ্লিকেসনগী কোপিশিং **মেনেজিং দিরেক্তর, এম এস পি সি এল, ইম্ফাল, মণিপুর** ওফিসতা ফংবিগনি।

৪. থৱায় য়াওবশিংনা মথক্তা পল্লিবা ওফিস অসিদা ওফিস আওয়র মতমদা হায়রিবা এ আর আর অমসুং টারিফ প্রোপোজেলশিং শৈগা চঙলনা য়েংবা অমদি নোট লৌবিবা য়াগনি।

৫. পেটিসন খুদিংগী লুপা ৫০ শেল ওইনা নৎত্রগা দি দিগী খুথাংদা পীরবা মতুংদা মথক্তা হায়রিবা দোক্যুমেন্টশিংসি মথক্তা পল্লিবা ওফিসসিদগী লৌবা য়াগনি।

৬. এম এস পি সি এলনা পীশিনবা এ আর আর ফাইলিং অমসুং টারিফ প্রোপোজেলশিংগী মতাংদা য়ানিংদবা নৎত্রগা হোংদোকপিনিংবা লৈরবদি সপ্পোর্টিং মেটেরিয়েলগা লোয়ননা **সেক্রেতরি, জে ই আর সি এম এন্দ এম, আইজোল, তি বি এল ভবন, ২-শুবা ফ্লোর, ই-১৮, পিটর ষ্ট্রিট, খতলা, আইজোলদা কোপি মত্তা** তাং ১৫/০২/২০২৪ ফাওবগী মনুংদা হকথেংনা য়ুথুশিনবা নৎত্রগা রেজিষ্তর্দ পোষ্টকী খুথাংদা থৌহনবিগদবনি।

৭. **য়ানিংদবা নৎত্রগা হোংদোকপিনিংবা** অদু **কোপি মত্তা** থোক্লা পীশিনগদবনি অমসুং মপুং ফাবা মমীং অমসুং পোষ্টেল এড্রেসকা লোয়ন্না নিংথিনা এভেষ্ট তৌবা এফিদেবিট অমা য়াওহনগদবনি। ওর্গানাইজেসন নৎত্রগা কঞ্জুমর ক্লাস অমা হেক্তগী মায়কৈদগী ফাইল তৌবা ওইরবদি মদু পনগদবনি। ওবজেক্সন অমসুং কমেন্টশিং পীরিবা মীদুনা পব্লিক হিয়ারিংদা মশামক লাক্তুনা য়াওবা অমসুং মশামক্কী ৱাফম তাহল্লীংবা পাম্বা অদুসু মরিক চুম্না পনগদবনি।

৮. মসিগী নোটিস অসিগী পাউখুম ওইনা পীশিল্লকপা অইবা ওবজেক্সন অদু জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এমনা য়েংশিল্লবা মতুংদা অথম্বা তারিখ অমদা হিয়ারিংগীদমক ওবজেক্তর অদু কৌরকপা য়াই, মসিগী তারিখ অসি কমিসন্না মতমগী মতুংইন্না খঙহনগনি।

মেনেজিং দিরেক্তর
এম এস পি সি এল, ইম্ফাল, মণিপুর

HL-B/8508/28&29 Jan.